# হৈ-রাগী তুংনফম ওইরম্বা হৈরোক্তা ঙসিদি হৈ মরাং কায়না ফংদ্রে # ২

খুঙ্গংগী খোল্লাউ ঃ
ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম

*মোমোন লোকপা মায়থোঙ*
*চীংলোন কয়ানা মায়খুল্লীবী*
*মীনোক্লা পুন্সি ওইরিবী*
*নঙদি লৌল্লি*
*নদোম অচিকপদা।*

*শিংথাবীনবা লৈররোই লীকদুনসু নঙগীদমক*
*নদোম হিংজৌ নদোম শিজৌ*
*নঙবু হেনবা কয়াসু লৌল্লি*
*নীংবা কায়না মতম চুপ্পদা।*

*মাইবা লোক চীংগী নোংপোক্তা*
*ইঙাংলোক্লা লীরিবসি অৱা লানগী ৱারীনি,*
*য়াওরিবনি নঙগীসু*
*হৈ লৈগী অৱাৎপা লৈতে চাউথোকচবা*
*কনানা খঙবিদ্রবসু ১৯৮১ গী শিংবুলদি*
*পঞ্জাওতনা তাকপা ঙম্লগানি।*

*পান মণিপুরনা থাদরম্বা ঙাংশিং নৎতনা*
*লৈরী মথিকোঙবা ঙাজাও কয়া*
*অহিং অমখক্কী ৱারীদুনা শায়োনখ্রবসু*
*হৈরোক নহাক্কী নশাইগোন্দা*
*লাউথোকখিবা সমরেন্দ্রনদি লাতল্লমগনি।*

*ওইরমগনি নঙগীদমক*
*লৈহাওসিদা চাউখিবা পহারিনা শকখিবদো*
*"উবিদ্রবা ফজবা ফজরব্বগী কারি কান্নে"*
*নৎথ্রগনা নহাক্তি ইমাগী তম্পাক ওইখি*
*তুমখি ইচিক হুল্লবা অহিং কয়া*
*নাউয়োকখি থৌনাফরবা নপারী কয়া*
*নথানুংদা চেংনা।*

*নিংথেম পুং, মোংফম, বেপুন তাবী*
*লৈহৌরগনি তাবুনুংদা নীংঙাইদনা,*
*মমি শাল্লবা লিক্লম্না তাক্লি*
*শাংখ্রবা অদুঙৈগী ১৯৭৪ বুদি"*
*শক্তিবু মাদি লাকখিনি চহী খুদিং*
*ঙাইখিনি শাবী শানৌনা*
*অদুবু কিনরে নঙবুদি য়াইথিবী,*

*লাক্লরোই নঙনা কৌরিবা নচাশিংদুদি*
*মতমগী তৌরৈদা লূপখ্রবনি মখোয়দি*
*তুমলো নহাক মীকপ থোক্লগনু*
*লীরমগে ৱারীদি পুন্সিনা লৈরিমখে*
*শিন্থাদি পাওল্লরোই*
*লৈখা তারবা মঙলৈবাকাসিদা।*

*১৯.৭.১৯৯০*

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক খুঙ্গং অসি পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা শোক্লম থেংলন্বা মফম ওইবগী মথক্তা ঙসিসু মীয়াম্না কাউদনা লৈরি। শেমগৎ শাগৎপীবা ৱাৎপনা টুরিজমগী ফজরবা মফম কয়া অরেন্বদা কাংখ থাং তাদুনা লৈরি। নীংশিংবা য়াবা মফমশিং অদুগী মরক্তা 'ইঙাংলোক', 'নিংথেম পুং', মাইবা লোৎপা চীং নৎত্রগা মাইব্রোক, পঞ্জাউ, ঈশিংথিংবী, প্রভু অচৌবা লাইশঙনচিংবা পনবা য়াই।

চহী তরেৎ খুন্তাকপা (১৮১৯-১৮২৫) হায়না খঙনরিবা মণিপুরগী পুৱারীদা সনাগী মুকানা ইদুনা লৈহৌরগদবা লানফম অসি হৈরোক খুঙ্গংগা য়াম্না নক্লবা ৱারী লৈখি হায়বা তাই। মমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবা, মোরোক থাদুনা পুন্সি কয়া লাক্লখিবা, খুবাক য়াইরিনা ফাওরেং লেঙদুনা পুখিবগী থৌদোক্তা অৱানা কংলৈপাক খুদুম চনখিবা কয়া কাউনদ্রি। অৱাশিংবু তকথোক্লবা হোৎনবদা মীতৈ লান্মী কয়ানা হনবা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখি। মায়কৈ সলাই খঙদনা মাঙখ্রবা মীওই কয়া হৈরোক্তা চেনশিন্নরক্তুনা লৈখি।

মীতৈ লান্মীশিংনা অৱাশিং তকশিল্লকপা মতমদা হৈরোক্কী চীংয়া অমদি চীংথক্তা লোৎতুনা লৈখি। মীতৈ লান্মীশিংনা হৈরোক তুরেলগী ঈশিং থৎতুনা চাউরবা পল শেমখি। পল অদুনা মরম ওইরগা ঈশিংগী ঈপাক শেমখিবা মফমবু ঙসি ফাওবা পঞ্জাউ হায়না মীঙ্গৌনরি। মায়কৈ ৩ দা মীতৈ লান্মীগিংনা ঙাকখিবা অমদি ঈপাক অদুনা মরম ওইরগা চীংলক্তা লোৎতুনা লৈখিবা অৱা লান্মীশিং খম থেংনা ৱারস্মী। কুইনা লোৎপা ঙমদবদগী লফুনা হি শাদুনা থোরকপদা মীতৈ লান্মীশিংনা লফুগা কোন্না থাংনা মকক ককথৎলন্মী।

মঙক ককপা, মখূৎ তৎপা, মখোঙ য়াওনা হকচাংগী কয়াৎশিং তোঙান তোঙান্না তাখি। মতমদুদা মীতৈ লান্মী কয়াসু অশোক অপন নংখি। ঈগী ঈচেলগা লোয়ননা শেমখিবা ঈপাক অদুগী মমীং লৌদুনা 'ইঙাংলোক' হায়না খঙনরিবা হৈরোক পার্ট থ্রি অসিদা ঙসিসু য়ূম ৫০ রোমদি খুন্দারি।

লানবুং অদুগী মতাংদা আই এস খুন্দোংবম্না ইবা **পুৱারীগী মতমদা হৈরোক অসি কয়া য়াম্না মরুওইবা মফম ওইরম্বগে** হায়বদুদা অসুম্না পল্লি- *"অৱা তেঙ্গোল অচৌবা মীতৈ তম্পাক তারক্কদৌরে হায়বা পাউ ফংলবদা, মীতৈ লান্মী তেঙ্গোলগা হৈরোক্কী মীয়ামগা খূৎশম্নরগা অচৌবা পল অমা থিঙ্গৎতুনা তুরেল ঈশিং মৌখৎহল্লে। অৱা তেঙ্গোলনা চীংদগী হেক কুমথরকপদা অচৌবা ঈশিংগী ঈপাক লৈরম্বা অদু উরবদা চঙবা ঙমদ্রে। করম তৌগনি ৱাতানরক্লে। নুমিদাংগী মতমদা অতোঙবা চীংয়া মানয়াদা ফাওদুনা খুন চংশিল্লগা মৈ থাদুনা খুন চাইখায়সি ৱারেপ্পরে। মীতৈ লাঞ্জাবশিংনা উদনবা নুংথিলগী মতম অদু লোক অমগী মনুংদা চঙশিন্দুনা লোৎলে। ঙসাইদগী উরক্তা লোৎলগা য়েংলিবা মীতৈ লাঞ্জাবশিংনা তৌরিবা পূন্নমক্তু লোয়না উরে। মখোয়না চৎখিদুনা মীতৈ লান্মীগী লুচিংবা নিংথেম মচা অদুদা ৱারম পূন্বা তম্মুরে। নিংথেম্না অঙম অথৌশিংগা তানরগা য়েক্লবা মায়থীবা পীনবা লাল্লোং শিল্লকলে। মীতৈ লান্মী খুদিংমক মানা মানা ঙম্বা উরু-উরাং, নুংদুম্নচিংবা অমমম ফুক্তুনা পায়রগা অৱা তেঙ্গোলনা লোক্তুনা লৈরিবা লোক অদু তম্না চঙশিল্লে। লাঞ্জিং পুরেল ওইরিবা নিংথেম মচাদুনা মনাক নকপা পূঙ অমগী মথক্তা ফিরাল পায়দুনা লেপ্লে। নিংথেম্না ফিরালদু হেক হাইবদা মীতৈ লান্মী পূন্নমক্না অমত্তা ওইনা মখোয় মখোয়না পায়রকপা উতুপ-ৱাতুপ, নূংদুম্নচিংবদু অৱা তেঙ্গোলনা লোৎলিবা লোক্লুং অদুদা লংথরে। অসুম্না তৌবদা অৱা তেঙ্গোলগী অয়াম্বা শরুক্তি লোক্লুংদা অদুমক শিরে। শিহৌদবশিংনা লোক্কী মপান্দা চেহ্থোরকপদা থাঙনা য়ান্দুনা, তানা থিন্দুনা হাৎলে।"* থৌদোক অদুদা অৱা তেঙ্গোলনা লোৎলম্বা লোক অদু অৱা লান্মীগী ঈতনা তুরেল ওইনা চেন্থরকখি হায়দুনা লোক অদুবু ঙসি ফাওবা ঈঙাংলোক হায়না খঙনরি। নিংথেম্না মথক্তা কাখৎলগা ফিরাল হাইখিবা পূঙ অদুসু ঙসিফাওবা নিংথেমপুঙ হায়না খঙনরি। নিংথেমপুঙগী হেক মনাকমক্তদা মৈতৈ লান্মীশিংগা হৈরোক্কী মীচম মীয়ামগা খূৎশম্নরগা থোল্লন্মী হায়রিবা পঞ্জাউ অদুগী লেমহৌখাক খরসু হৌজিক ফাওবা উবা ফংলি।

হৈরোক্তা হরাওবুং অহুম লৈ। হৈরোক পার্ট ৱান লাইকোন, হৈরোক পার্ট টু কৈথেল মচা অমদি হৈরোক পার্ট থ্রি ইঙাংলোক্কী লাইবুংনি। লাইবুং অসিদা নোংপোক নিংথৌ, য়োৎ নিংথৌ অমদি ইকোপ নিংথৌবু ইরাৎনরি। মণিপুরগী মরুওইবা লাইফম ৭ কী মনুংদা অমা ওইরিবা 'প্রভু অচৌবা' গী লাইবুংসু হৈরোক কৈথেল মচাদা ইরাৎলি। লাইবুং অসি ভৈগ্যচন্দ্র মহারাজনা য়াইরিপোক কাইন-চীংদগী য়ানখিবা থৈবোং পান্বীগী লেমহৌবা শরুক্না শাখিবনি থাজনরি। মণিপুরগী মীয়াম্না মফমসিদা ইরাৎপা, খুরুম্বা লাক্নরি।

অপিকপা খুন অসি চীংমী তম্মীগী লিপুন শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা মফম অমসুনি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মচি, থল্লাই, কোনাইতোং, হৈনৌখোঙ, ৱাবচীং, করুংথেল, পেঙয়াং, লমলোঙনচিংবা চীংগী ইচিল ইনাওশিংগা চহী কয়া লৈতা খুন্দামিন্নবতা নত্তনা চারৌ মৌরৌনবসু য়াওখ্রে।

চীংমীশিং অসিনা পুথোকপা পোৎলমশিং হৈরোক্তা পুরক্তুনা লল্লোন ইতিক তৌনরি। চীংগী মহৈরোয়শিং হৈরোক্কী স্কুলদা লাইরিক তম্নরি, অনা লায়েংবগী থবক চখবতা নত্তনা লৌউ-শিংউগী থবক্তা তেংবাঙ পীনরি। মচিল মনাওদৌনা হিংমিন্নরি।

পেরাবোরা মওংদা লৈবা খুল অসি চীংনা কোইশিনবা মফমনি। খুল অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না চলাইবা প্রাইমারি স্কুল ১২, জুনিয়র হায়স্কুল ২ অমদি হায়স্কুল ২ লৈ। হৈরোক যুনিয়ার হায়স্কুল অমদি হৈরোক পার্ট ৱান হায় স্কুল অনীমক কুমজা ২০০৮ গী থাবল চোংফমদা লালহৌবশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা পাখঙ অমা লৈশাবী ২ শিখিবগী থৌদোক্তা হায়স্কুল অমদি হায়র সেকেন্দেরি থাক্তা অপগ্রেদ তৌখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী পুৱারীদা ইহান হানবা ওইনা লালহৌবগী মায়োক্তা হৈরোক খুঞ্জাশিংনা য়ানিংদে হায়না খোল্লাউ লাউখি। লালহৌবশিংনা হৈরোক্কী মীয়াম থোক্লকপা য়ারোই থিংখিবগা লোয়ননা লাইশ্রম শচিকুমার কৌবা রিমসতা ফার্মাসিষ্ট তৌবা অমবু নোংমৈনা কাপতুনা হাৎখি। মতমদুদা স্পিসিয়েল পুলিস ওফিসার (এস পি ও) ইহান হান্না লিংখৎপগী মথক্তা মণিপুরগী লৈঙাক ঙাকপদা য়াওরিবা ভি দি এফসু হৈরোক্কী মীয়ামনা তমখিবা খুদোলনি।

মহৈ মশীন তম্বগী লমদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌশিনবীগনি তৌরম্বা অফবা স্কুলশিং ঙসি ফাওবা লৌশিনবীবগী মহুৎতা নুপীশিংতগী ওইবা এদেদ স্কুল অমসু হৈরোক্কী মীহুৎ অমদি মণিপুর লৈঙাক্না য়েংশিনবিদবদগী পুংমুৎ মুথৎপিখ্রে। হৈরোক্তা লন্নাই হায়র সেকেন্দরি স্কুল ১০ হেন্না লৈরে। মখোয়গী মরক্তা ফার্ষ্ট ক্লাস পুথোকপা স্কুল কয়াসু য়াওরি। নুপীশিংবু মহৈ মশীনগী মঙাল পীনবা পান্দমদা কুমজা ১৯৬৯ দা লিংখৎখিবা লুপোমঞ্জুরি গার্লস হায়স্কুল (গভর্ণমেন্ট এদেদ স্কুলসি হৌগৎলকপদা জুনিয়র হায়স্কুল ওইনা লিংখৎখিবনি) ঙসিদি মপূং ফানা মুৎখ্রে। স্কুল অসি হৌজিক হৈরোক্কী মীহুৎ ওইরিবা মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোগী মবোক্কী মীংদা অপোকপা লৈখিদ্রবা ভেটরান পোলিটিক্স এম ইবোতোম্বীনা লিংখৎপীরম্বনি।

মসিগীসু মথক্তা কুমজা ১৯৮৬ তা লিংখৎখিবা চীংদোমপোক হায়স্কুল - থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অফবা স্কুলগী মনুং চন্না অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোকখিবনি। স্কুল অসিসু মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎকনি হোৎনরল্লবসু মায় পাকখিদে। স্কুলশিং অসিনা মপূং ওইনা শিথরকখিবগী মরমদি পোলিটিক্সকী ৱাফম য়াওখিবদগীনি। অতৈ স্কুলদি দোরেন্দ্রো মেমোরিএল স্কুল, গ্রেস একাদেমি, ইষ্টর্ন পোপ্যুলর স্কুল, এদভান্স একাদেমি, রোমিও মেমোরিএল স্কুল, টি এন একাদেমি, ইষ্টর্ন মালা ইংলিস স্কুল অমদি চাওবী মেমোরিএল স্কুল পনবা য়াই।

মহৈ মশীনগী লমদা লৈঙাক্না পূক্নিং চঙবিদ্রবসু খুঞ্জাশিংগী মরক্তা বাবা এতোমিক রিছার্স সেন্টর (বি এ আর সী) দা সাইন্টিষ্ট ওইবা এল গুনেশ্বর, এন অঙাংচা লৈরে। ইন্দিয়ন পুলিস সার্ভিস (আই পি এস) ফংলবা থোকচোম রাধেশ্যাম, ইন্টরনেসনল প্লাষ্টিক সর্জরিদা মালেমনা শকখঙলবা ডা. খুন্দোংবম পালিন (সিজ হোস্পিটাল) য়াওনা পি জি ডোক্তর অমদি এম বি বি এস লোয়বা মহৈরোয় ১৪ রোম লৈরে।

পি জি ডাক্তর ওইনা ডা. কে ঐচ কুবের, ডা. বুবোন অমদি এম বি বি এসকী মহৈরোয়শিং অদুদি এম বিক্রম, এন জেনিতা, এম দয়ানন্দা, এল অনিলকুমার, এম রোকিতা, এম বাবু, এল কিরন, এস ঐচ বোবোয়, টি ঐচ কৃষ্ণনন্দা, এন কানোননি। মসিগী মথক্তা মেথমেটিক্সতা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদলিষ্ট খুন্দ্রাকপম হেরোজিৎ, এ আই ঈ ঈ ঈদা ষ্টেটকী টোপর ওইখিবা নিংথৌজম অমরজিৎ পনবা য়াই।

খুল অসিগী হিংনবগী মরুওইবা শিনফমদি লৌউ-শিংউবা, চেকোন্দা চেক শুবা, হৈরোক তুরেলদগী লৈঙোই পেকপা, শো মিল তৌদুনা উ খায়বা, উপু-কাংথোল চনবা য়াওনা য়েন, ঙানু য়োকপনচিংবা তৌনরি।

চাওখৎপা খুঙ্গং অমনি শিংথারিবা হৈরোক্তা ৱাটর সপ্লাইগী ঈশিং থকপা ফংদবা চহী ফনা য়াল্লক্লে। হৈরোক পার্ট টু চীংদোমপোক্তা কুমজা ১৯৮০ দা লিংখৎখিবা ৱাটর সপ্লাই চহী ৫ রোম মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং পীরল্লগা লেপখিবা কুইরে।

হৈরোক পার্ট ৱান ঙারৌথেলদা লৈবা কুমজা ১৯৯৫ দা শঙ্গাখিবা ৱাটর সপ্লাইসু চহী অমরোম ঈশিং পীরল্লগা থবক লেপখ্রে। পার্ট থ্রিগী মীয়ামদি ৱাটর সপ্লাইগী ঈশিং অমুক্তা থকপা ফংদ্রি। হৈরোক তুরেলগী মপান্দা তৌবা গুহাদগী থক্লা চানবা ঈশিং শীজিন্নরি। হৈরোক্লা থংননা লৈরিবা ৱাংজিংদা হৈরোক তুরেলগী ঈশিংবু শীজিন্নরগা পুথোকপা ৱাটর সপ্লাইগী ঈশিং হৈরোক্লা লৈরগা শীজিন্নরি। কয়াদা নোক্লিংখ্রবা অমদি পুকচেল চাওখ্রবা হৈরোক খুঞ্জানো হায়না অকোয়বদা লৈবা খুনশিংনা হায়নরি।

হৈরোক্তা প্রাইমারি হেলথ ক্যের অমা লৈরম্বদুসু কুমজা ২০০৯ দা কম্যুনিতি হোল সেন্তরদা অপগ্রেদ তৌখি। হৈরোক্কী খুঞ্জা লিশীং ২৮ লোম হেনবগী মীওইদা নত্তনা থংনরিবা ৱাংজিং, শল্লুংফম, কাইরেনবীখোক অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খুনশিংগী মরুওইবা লায়েংশঙ অসি ষ্টাফ মপূং ফানা লৈতবনা করিগুম্বা কান্দা ঈরাং থোকপা য়াওই। হৈরোক্কী মীয়াম্না মরী লৈনবশিংদা লায়েংশঙ অসি মপুং ফানা শেমগৎপীনবা আপিল তৌরক্লি।



*নুপীশিংতগী ওইনা লিংখৎলগা মুৎখ্রবা লুপোমঞ্জুরি গার্লস এদেদ হায়স্কুলগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম*

# শা-ষণ য়োকপদা চেজনবা (রেকোর্দ তৌবা)

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

***ঐখোয়গী*** লমদমসিদা শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা শা-ষণ, য়েন-ঙানু কয়া অমা য়োক্লরি অদুবু য়োক্লিবা খুদিংমক মওং মরীল নাইনা য়োকপা হৌবদগী হৌনা চেজনবগী (রেকোর্দ তৌবগী) হৈনবীসি কয়া উবা ফংদে। য়োক্লিবা খুদিংমক্কী চেজনবা হায়বদি রেকোর্দ থন্বসি য়াম্না মরুওই। রেকোর্দ থন্বীবা হায়বসি য়াম্না লায়বা অমদি য়োক্লিবা খুদিংমক্কী মরী মখোঙ কয়া অমা ইদুনা থন্বীহৌরগা মদুদগী পায়খৎকদবা থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা য়াই। রেকোর্দতা শা-ষণ য়োকপদা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরম খুদিংমক ইশিনবীবা, মাগী ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট, মপু/ডাক্তরশিংনা তৌরিবা থৌদাং কয়া অমা ইশিনবা য়াই। রেকোর্দশিংসি শা-ষণ মপুশিংনা নিংথিনা, ফজনা অমদি চুম্না ইবা মথৌ তাই।

**রেকোর্দ তৌবগী তঙাইফদবা ঃ**

- ফার্মদুদা য়োক্লিবা খুদিংমক শেন্দোং লৈবা ঙল্লিব্রা হায়বদু খঙদোকপা ঙমহল্লি।
- কাউখ্রবা হীরম খুদিংমক অমুক নীংশিংহন্দুনা মখা চখবা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দ য়েংলগা ৱারেপ কয়া লৌবা ঙমহন্দুনা ৱারোইহনি অমা পীবা ঙমহল্লি।
- অনৌবা নৎত্রগা অতোপ্পা মওং অমদা য়োক্লিবা খুদিংমক্তা চঙলিবা ময়ামদু রেকোর্দকী মতেংনা কান্নরিবরা কান্নদ্রিব্রা হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা হান্নদগী শোথরল্লবসু মসিদগী হেন্না/ফনা থম্নবা মওংদা শেন্বীবা য়াই।

**রেকোর্দকী কান্নবশিং**

- লোইহরিবা শা-ষণ খুদিংমক্কী শক্তাকপা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা অফবা শা-ষণ খনবদা অচৌবা মতেং পাংই।
- রেকোর্দকী মতেংনা নক্লবা ঈ মরীগী মচা লৌহন্দবা ঙমহল্লি।
- ফার্মদুদা লৈরিবা অফবা শা-ষণ খন্দোক্তুনা হেন্না শেন্দোং লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংই।
- ফার্ম শেন্নরিবা শিন্মীশিংসু রেকোর্দকী মতেংনা নিংথিনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা লায়না লায়ওং কয়া খঙদোক্তুনা অমুক হঞ্জিন্না লাক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌবা ঙমহল্লি।
- অমাঙ অতোঙ কয়া অমসু খঙদোকপা ঙমহল্লি।
- শা ষণগী পুথোরক্লিবা পোথোক কয়া অমা রেকোর্দকী মতুংইন্না মমল তিক্লরগা য়োনবা য়াই।

**রেকোর্দকী মখল ঃ**

মরুওইনা রেকোর্দ মখল খরা ঃ (ক) শক তাকপগী রেকোর্দ ঃ করিগুম্বদা শা ষণশিং মশীং য়ামদনা থম্বা ওইরগদি শক তাকপগী রেকোর্দ থমদ্রগসু য়াই। য়াল্লগদি লায়না খঙবা ঙম্নবা শা-ষণ খুদিংমক্তা ট্যাটু তৌবা, মৈ ইকপা য়োৎনা হকচাংদা নম্বীবা, মনাদা নম্বর নম্বা নৎত্রগা কাচি কারোং শেমদুনা ককপা, মনাদা নম্বর য়াওবা থেৎপা, মমৈদা মশক খঙনবা থেৎপা অসিনচিংবা কয়া অসি তৌবা য়াই। মসিদসু নত্তনা মঙক্তা তোঙান তোঙানবা মচুগী থৌরি থুবা নৎত্রগা মশাদা কোক্তবা মচু কয়া শঙবা অসিনসু শক তাকপগী রেকোর্দ ওইবা য়াই।

(খ) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ মসিগী রেকোর্দসি য়াম্না মরুওই। মসিনা মচা লৌখ্রবা পুথোরক্কদবা পোথোক ময়াম অমা খঙবা ঙমহল্লি। ষণবুশিংনা চহী অমদা মচা অমা পোকপা হায়না পানরি। ওক্লা চহী অমদা মচা অনীরক পোকপা হায়না পান্নরি। করিগুম্বদা মচা লৌবগী রেকোর্দ ময়াম অমা থল্লগদি লৌখ্রিবা শা-ষণদুদা থোক্লক্লিবা অশোয় অঙাম ময়াম অমা মতম চানা লায়েংবা ঙমহল্লি। রেকোর্দ অসিদা হীট লাকপগী মতম, মচা লৌবগী মতম, করিগুম্বদা মচা কায়রকপা, মসিদা তৌবিহৌবা চেকশিন থৌরাংশিং, ময়াম অমা রেকোর্দকী মতুং ইন্না খঙদোকপীহৌরগা তুং কোয়না থমহৌবা য়াবা য়াদবা ময়াম অমা খন্দোকহৌবা ঙমহল্লি। অসিগুম্বা ব্রিদিংগী রেকোর্দসিদা লৈরিবা শা-ষণদুগী মমা মপা, মপু মবেনগী মরমদা ইশিনবীহৌবা মচা লৌখিবগী, পোকখিবগী, চহী কয়া শুবদা অহানবা চাবোক ওইখিবা, থংননা পোকপা চাবোক অনী মতম অমদি পোক্লিবা মচাদুগী মরমদা হায়বদি পোকপগী মওং মতৌ, মচাদুদগী অরুম্বা অসিনচিংবা ময়ামসি রেকোর্দ ওইনা থন্বীবা য়াই।

(গ) পোথোক পুথোকপগী রেকোর্দ ঃ শা-ষণ, য়েন কয়া লোইদুনা ফংলক্লিবা পোথোকশিংসি রেকোর্দ তৌশিনবীদুনা নোংমগী নৎত্রগা হাপ্তাদুগী নৎত্রগা মতম খরদুগী অমাং অতোং খঙদোকপদা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণদুনা পুথোক্লিবা পোথোকশিংদু য়েংলগা তুং কোয়না থন্বদা কান্নরিবরা কান্নদ্রিবরা হায়বদু খঙদোকপা ঙমহল্লি।

**মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দ ঃ**

মচিঞ্জাক্কী রেকোর্দতগী ঐখোয়না শা-ষণদা পীজরিবা মচিঞ্জাক্তুগী মখল কয়া য়াম্না পীজখিবা অমদি মচিঞ্জাক্কী ক্কালিটিগী মরমদা খঙবা ঙম্মী। অসিগুম্বা রেকোর্দশিংদগী ঐখোয়না নোংমদা চহী খেন্নবগী মতুং ইন্না কয়াম য়াম্না পীজবা ঙম্বগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা কয়াম লেস্মী/মাঙই হায়বদুসু খঙবা ঙমহল্লি। পোথোক পুথোকপগী রেকোর্দকা মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দকা য়াম্না মরুওই। মরমদি পুথোরক্লিবা পোৎথোক হায়বদি শঙ্গোম কয়াম পুথোকপগে হায়বদুগী মতুংইন্না পীজবীগদৌরিবা মফোনগী শরুক অদু হেনবা, ৱাৎনা পীজবীবা য়াই।

**লায়না অমদি লায়েংবগী রেকোর্দ ঃ**

লায়না অমদি লায়েংবগী রেকোর্দসিনা মমাঙদগী কয়াম য়াম্না লায়না লায়োঙ উৎখ্রগে অমদি লায়েংবগী মওং খঙবা ঙমহল্লি। মসিনা অমুক হঞ্জিন্না নারক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা ঙমহল্লি। রেকোর্দ অসিদগী তোঙান তোঙানবা শা-ষণগী হকচাংগী ফীভম খঙবা ঙম্বতা নত্তনা মতম চানা টিকা থাবা, তীলহাৎ হীদাক থাবা ঙমহল্লি। রেকোর্দসিগী মতেংনা থাখ্রিবা হীদাকশিংদুগী মতুংইন্না পুথোক্লিবা শা-ষণগী পোথোকশিংদু কয়াম কুইনা মীওইবনা চাবা য়াদবগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। রেকোর্দ থম্বা মতমদা লায়না লাকপগী নুমিৎ, টিকা থাবগী, তীলহাৎ হীদাক থাবগী, শিখ্রগা পোষ্ট মোর্টেমগী রিজল্ট কয়া অমা হাপ্পীগনি।

**মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ**

শা-ষণ য়োকপদা চঙখ্রিবা অমদি লাক্লিবা খুদিংমক রেকোর্দ থন্বীগনি। অসিগুম্বা রেকোর্দশিংগী অমাঙ অতোং খঙদোক্লগা ফার্মদুগী ৱারেপ কয়া অমা লৌবা ঙমহল্লি।

**রেকোর্দ শেম্বগী মওং খরা ঃ**

ক) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ

| ষণ ন: | | | | |
|---|---|---|---|---|
| অকোনবা মচা পোকপা | ডাক্তরনা য়েংবা নুমিৎ | য়েংবগী রিমার্ক | মচা লৌবা নুমিৎ | মচা পোক্কদবা নুমিৎ |
| | | | | |

খ) লায়না লাকপা অমদি লায়েংবগী রেকোর্দ ঃ

| নুমিৎ | শা ন: | লায়না মখল | লায়েংবা মওং | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|
| | | | | |

গ) টিকা থাবগী রেকোর্দ

| নুমিৎ | টিকা থাবা | টিকাগী মখল অমদি চাং | রিমার্ক |
|---|---|---|---|
| | | | |

ঘ) তীল হীদাক থাবগী রেকোর্দঃ

| নুমিৎ | তীল হীদাক থাবা | তীল হীদাক মমিং অমদি মখল | রিমার্ক |
|---|---|---|---|
| | | | |

ঙ) মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দ ঃ

| নুমিৎ | শা মশীং | মচিঞ্জাক পীজবা (কেজি) অয়ূক্তা নুমিদাংৱাইরম পূন্না | রিমার্ক |
|---|---|---|---|
| | | | |

চ) ষণাও মচাগী রেকোর্দ ঃ

| ন: | পোকপা নুমিৎ | লাবা/অমোম | মপা ন: | মমা ন: | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | |

অসুম্না শা-ষণ লোইহবিরিবশিংনা রেকোর্দ নীংথিনা থন্বীরগদি মতম মতমগী ওইবা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বতা নত্তনা হেন্না শেন্দোং লৈনা শা-ষণ য়োকপা ঙমগনি।